হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী প্রিন্সিপাল এদভাইজর রাজদ সেথিগা থাদৌ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মহৈরোয়শিংগা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকপগী শক্তম

লামায় ১

মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা সাহিত্য একাদেমি অমসুং এন জি মণি কোলেজ, ইম্ফাল অনীনা খুৎশম্নদুনা সাইন্স এন্দ লিটরেচর হায়বসিদা নৈনবা

NG. MANI COLLEGE IMPHAL
SCIENCE AND LITERATURE
লামায় ৩

সকশম (মণিপুর প্রান্ট) বিষ্ণুপুর বিভাগনা শীন্দুনা মোইরাং খুনৌ মমাং সাবল মান্দপতা পাঙথোকখিবা আই দোনেসন কেম্পেয্যন ফোর্টনাইট থৌরমগী শক্তম অমা

EYE DONATION CAMPAIGN FORTNIGHT
VENUE : MOIRANG SABAL MANDOP
লামায় ১

হায় কোর্ট দিভিজন ধাকাগী খোঙচৎ ওইনা মণিপুরদা থুংলখিবা বাংলাদেশকী সুপ্রিম কোর্টকী জজ জষ্টিস বভানি প্রসাদনা মোরেদা থুংলবা

INDO MYANMAR FRIENDSHIP GATE
লামায় ১

Vol. 41, Issue No.161 নিংথৌকাবা, লাংবন ১৩নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, September 04, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৮৩
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.৬২

মোরেদা লাক্লম্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩: বাংলাদেশকী সুপ্রিম কোর্টকী জজ জষ্টিস বভানি প্রসাদ সিংহ ঙসি নোংমগী খোঙচত্তা মোরেদা লাক্লম্লে। মোরেদা শেমগৎলিবা ইন্তিগ্রিটেদ চেক পোষ্ট, জুদিসল মেজেষ্ট্রিট ফর্ষ্ট ক্লাস কোর্ট কমপ্লেক্স মোরে অমদি জজশিংগী রেসিদেন্সিয়েল কমপ্লেক্স-নচিংবগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

য়ুহা হাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩: পংয়াম য়াম্না কন্দবা মওংদা হৌখিবা অহিংগী অয়ুক্কী পুং ২.৩০ রোম তাবদা ইম্ফালদা য়ুহা হাখ্রে। চাউরাক্লা মেগ্নি চ্যুদ ৩.৪ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুদা পোৎচৈ মাঙ-তাকপা অমসুং মীওই অমত্তা অশোক-অপননচিংবা য়াওখিদে। ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী পাউগী মতুং ইন্না য়ুহা হাখিবা অদুগী ইপিসেন্টর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খোংহাম্পাৎ অমসুং অৱাং পোৎশংবমগী লোন্নবা মফম অমদা ওইখি। লৈনুংদা কিলোমিটর ২৬ লুবা মফমদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

মহৈরোয়শিংগা উনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩: মণিপুরদা কাঙলূপ মশেল নুংশি-চান্ননা, ঈংনা-চীক্লা অমসুং চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা নহারোলশিংনা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বেঙ্কিট হোলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী প্রিন্সিপাল এদভাইজর রাজদ সেথিগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে। ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা থাদৌ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা মহৈরোয়/ইন্টলেকচুয়েল ৬০ রোম শরুক য়াখি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩১.৮৯ °C	২৫.৬১ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩০.১৯ °C	২২.৫০ °C
সেনাপতি	২৫.৮০ °C	২১.০৭ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২০.১৪ °C	১৬.৫৬°C
মণিপুর	৩২.১৭ °C	১৬.৫৬°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.১২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

HL POLL

Q : Greater Nagaland sembagi wafam centerna thabakta onthorakkani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Chakthong gas blackta fanghandanaba thourang loukhatkani hairisi mai pakkani haina loubra?

Yes 32% No 68%

অস! লোইরেহে!

মীতৈ চেঙসু ৱানবা ঙমদ্রে,
সুপরফাইনসু লৈগে ফংদ্রে…!



ঐখোয়সি শিজখ্রো হায়রবনি…!

লেপ্লুরবা জে সী আই এল পি এসগী খোঙজং ঙসিদগী হৌরগনি

মহৈ তম্বদা কায়দনবা হোৎনগনি : অর্জুন তেলহৈবা

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা চুনবা মখলগী লো অমা শেমঊ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম (জে সী আই এল পি এস)গী খোঙজং হয়েংদগী হৌরগনি হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর অর্জুন তেলহৈবনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

OFFICE OF THE
JCILPS

সেগা রোদ কোঞ্জেং হজারি লৈকায়দা লৈবা কম্মিটি অসিগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, চীংমী-তম্মীশিংনা য়াবা বিল অমা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা পাস তৌনবা খোঙজং অসি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী নিংথম মীফম ফাওবা চখ্থগনি।

খোঙজং অসি হয়েং অয়ুক্কী পুং ১১ তাবা মতমদা কৈশাম্পাৎ সেগা রোদতগী মীয়ামগা খোঙচৎ অমগা লোয়ননা উরিপোক, নাগামপাল ফাওরগা ইম্ফাল ইষ্টরোমদা চৎকনি। খোঙচৎ অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী লূচিংবশিং শরুক য়াবীনবা মহাক্না মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখি।

খোঙজং অসিদা চীংমী-তম্মী খাইবোক খাইবোক তানরম্বা অদু লোইশিনখ্রে। খোঙজং অসি চত্থবা মতমদা মীতৈ খক্তগী হান্না মাল্লম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি ৱাখল তামিন্নরে। অথুবা মতমদা মণিপুরদা লৈরিবা চীংমীশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংসু খোঙজং অসিদা শরুক য়ানবা ৱাফম খন্নরগনি।

খোঙজং অসি চত্থবা মতমদা মহৈরোয়শিং, দুকান কৈথেলশিংদা অকায়বা পীদনবা হোৎনগনি। লাক্লিবা ওক্টোবর ৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিং মীরেপ ওইহন্দনবা, ভোট থাদহন্দনবা হান্না মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহনবা লৈখ্রে। লোয়ননা হায়রিবা মীখল অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিং য়াওহন্দনবা খোঙজং চঙশিনগনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা জে সী আই এল পি এস ৱিমন ৱিংগী কনভিনর এস মেমচা লৈমনা হায়খি, আই এল পিগী বিল অসি চীং-তম অনীমক্তা চৎনহন্নবা হোৎনমিন্নসি।

পাউগী মীফম অদুদা জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভিনর এমসুগী হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা মঞ্জিৎ সরাংথেমনা পুরগনি হায়না লাউথোকখি। হান্নগী কনভিনরসু ওইরিবা কে এস এগী প্রসিদেন্ট এম লক্ষ্মননা নৌনা কনভিনরগী চার্জ পুরগদবা মঞ্জিৎ সরাংথেমদা মরী লৈনবা ফাইলশিং খুৎশিন্নখি।

ফাইল খুৎশিন্নবা অদুগা মরী লৈননা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট মাপন হাপচিন্দুনা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক চাউথোকখ্রে

নির্মলা সিতারমননা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরে

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর০৩ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী য়েংলগা ঙসি অয়ুক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট মাপন হাপচিন্দুনা চাউথোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা হান্না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরম্বা মরিনা কেবিনেটকী থাক্তা পুখৎখ্রে।

মোদিগী কেবিনেট চাউথোকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং লাউথোকখ্রে। মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ পুরম্বী নির্মলা সিতারমনদা দিফেন্সকী পোর্টফোলিও পীখ্রে। লৈবাক অসিগী পুৱারীদা দিফেন্স মিনিষ্টর নুপীনা ওইবা মহাক্না অহানবা ওইরে।

কুমজা ২০১৪দা বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন দি এ) না লৈঙাক পায়রকখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী অসিনা অহুল্লকশুবা কেবিনেট রিসফল তৌবনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিদা নৌনা য়াওহনখ্রবা মীওইশিং অদুদি বিহারগী অরাহদগী কারকখিবা লোক সভাগী মেম্বর আর কে সিংহ; হান্নগী দিপ্লোমেট হর্দিপ সিংহ পুরি; উত্তরপ্রদেশতগী রাজ্য সভাগী মেম্বর শিব প্রতাপ সুক্লা; বাঘপত্তগী লোক সভাগী এম পি সত্যাপাল সিংহ; হান্নগী ব্যুরোক্রেট অলফোন্স কানন্তনম; বিহারগী বুক্সারদগী লোক সভাগী এম পি অশ্বিনি কুমার চুবে; উত্তর কন্নারাগী লোক সভা মেম্বর অনন্ত কুমার দত্তত্রেয়া হেগ্রে; যোদপুরগী লোক সভা মেম্বর গজেন্দ্র সিংহ সেখৱাট অমসুং মধ্য প্রদেশকী টিকামগরদগী লোক সভা মেম্বর বিরেন্দর কুমারনি।

অনৌবা মিনিষ্টর মাপন ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট মিনিষ্টর মরি কেবিনেট মিনিষ্টরগী থাক্তা পুখৎখি। কেবিনেটকী থাক্তা পুখৎলবা মিনিষ্টরশিং অদুদি মুখতার অবাস নকবি; ধর্মেন্দ্র প্রধান; পিয়ুস গোয়ল অমসুং নির্মলা সিতারমননি।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিননা অনৌবা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি বিরেন্দ্র কুমার; অনন্ত কুমার হেগ্রে; গজেন্দ্র সিংহ সেখৱাট, হান্নগী আই এ এস ওফিসর কানন্তনম অমসুং আর কে সিংহ; হান্নগী দিপ্লোমেট হর্দিপ পুরি অমসুং মুম্বাই পুলিসকী মকোক ওইরম্বা সত্যপাল সিংহনি।

বিহারগী লোক সভা মেম্বর অশ্বিনি কুমার চুবে অমদি উত্তর প্রদেশকী শিব প্রতাপ সুক্লাসু প্রসিদেন্টনা অনৌবা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

কেবিনেটকী থাক্তা পুখৎখ্রবা মিনিষ্টরশিং অমসুং মখোয়না পায়গদবা পোর্ট ফোলিওশিং অদুদি নির্মলা সিতারমননা দিফেন্স মিনিষ্ট্রি; পিয়ুস ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

পি এমনা মণিপুরগী টিম ম্যান্মারদা উনগদৌরি : শিবচন্দ্র

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০৩ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ৫ দগী ৭ ফাওবা ম্যান্মারদা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসিগী মনুংদা মণিপুদগীসু ওফিসলশিং য়াওবা টিম অমা ম্যান্মারদা চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনরগনি হায়না ষ্টেট লেবেল কম্মিটি ফোর ওপরেস্নেলাইজেসন ওফ এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী কনভিনর আর কে শিবচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা আর কে শিবচন্দ্রনা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি থা অসিগী ৫দগী ৭ ফাওবা ম্যান্মারদা চৎকদৌরি। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা ম্যান্মারদা লৈরিবা ইন্দিয়ন ওরিজিনশিংগসু উনদুনা হীরম কয়াদা ৱারী শানগদৌরি। প্রাইম মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানবা মতমদা বোর্দর ত্রেদকী থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াসু পুখৎলমগনি।

ম্যান্মারদগী মণিপুররোমদা লাকপা মতমদা লেন্দ রুট পর্মিট য়াওদ্রগদি ইন্দিয়া য়াদে। মসিনা ম্যান্মাররোমদগী ষ্টেট অসিদা লাকপদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরদা নীংথিনা খঙহল্লমগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা ম্যান্মারদা লৈরিঙৈ মনুংদা মণিপুরদগী কম্মিটি অসিগী মীহুৎ অমদি ওফিসল কয়া য়াওবা টিম অমা ম্যান্মারদা চৎতুনা বোর্দর ত্রেদ অমদি এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শানগনি। প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শানবদা বোর্দর ত্রেদকী ফিভম হেন্না চাউখৎহন্নবা অমদি এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী থবক থৌরাংশিং খোঙজেল য়াঙহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা ৱারী শানগনি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা মেক ইন মণিপুরগী অখন্নবা থৌরাং অমা ওইনা মীওই ৫০০ রোমদা ফিরোল তুবগী ত্রেনিং পীনবা থবক পায়খৎলগনি। ফি তুনবা মেছিন অনৌবা কয়া অমা লৈরে। ষ্টেট অসিগী মীওই কয়াদা ফিরোল তুবগী মহৈ অসি নীংথিনা ত্রেনিং পীদুনা মণিপুরদা মখল কয়াগী ফিজোলশিং তুদুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

উ য়ানবা, লৈবাক কোথোকপা য়ারোই : কোর্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদগী উ য়ানবা, চীংলৈবাক কোথোকপা অমত্তা য়ারোই হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মমাঙ থাগী ৩০দা য়াথং অমা পীখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সেভ ইনভাইরোনমেন্ট কেম্পেয্যন কম্মিটিগী চ্যেরমেন মুতুম ইনাওবীনা ফোঙদোকখিবনি। লোনা য়াদবা মওংদা চীংলৈবাক কোথোকপা অমসুং উ য়ানবশিং চৈরাক পীগনি হায়না ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, সেভ ইনভাইরোনমেন্ট কেম্পেয্যন কম্মিটিনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৮ দা উ য়ানবা থিংনবা, চীংলৈবাক কোৎপা য়াহনবীদনবা পি আই এল অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাখি। কোর্ট অসিনা পি আই এল অদু ওগষ্ট ৩০ দা খন্নখি অমসুং মরক্কী ওইবা য়াথং অমা পীদুনা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদগী চীংলৈবাক কোত্তনবা, উ য়াবা থিংনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা য়াথং পীখি। করিগুম্বা তঙাইফদবা খরদগী উ য়ান্দবা য়াদবা ওইরবসু কোর্ট অসিগী য়াথং য়াওদনা করিমত্তা তৌবা য়ারোই হায়নসু খঙহনখি।

পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং হায়বদি মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা হায়রিবা ওর্দর অসি লেটর এন্দ স্পিরিটতা থবক ওইনা পাঙথোক্কদবনি হায়না অকনবা দিরেক্সন পীখি হায়রি।

মহাক্না হায়খি, হায় কোর্টকী ওর্দর অসি মণিপুরগী ওইনদি য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা জজমেন্ট অমা ওইবদা নৎতনা ওর্দর অসিনা শোত্থরক্লবা মণিপুরগী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টবু কন্নবা হোৎনরিবা মীওই কয়াদা পাঙ্গল হাপ্লগনি। ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা মহৌশাগী খলদা অকায়বা কয়া লাক্লিবা অমদি অৱা-অনা তারিবা কয়া অসি য়েংলগা শোকচিল্লক্লবা মণিপুরগী উমং কন্নবা হায় কোর্টকী য়াথং অসি থবক্তা ওন্থোকমিন্নসি। উমং য়াওদনা ঐখোয় মীওইবা খুন্নাইনা কৈদৌঙৈদসু ঈংনা-তপ্না হিংবা ঙম্লোই।

পি শরতচন্দ্র, টি রোবিন্দ্রো অমসুং এস বিরনা মীৎ কৎকনি ৱাশকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচ এন এস) : সকশম (মণিপুর প্রান্ট) বিষ্ণুপুর বিভাগনা শীন্দুনা ঙসি মোইরাং খুনৌ মমাং সাবল মান্দপতা পাঙথোকখিবা আই দোনেসন কেম্পেয্যন ফোর্টনাইটকী থৌরমদা শরুক য়াখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এম এল এ অহুমনা মখোয় মখোয়গী মীৎশিং কৎকনি হায়না ৱাশকখ্রে।

থৌরম অদুদা মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্র; থাঙ্গ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রো অমসুং কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ, সনসম বিরনা থৌরম অদুদা মীৎ কৎনবগী ৱাশক লৌখি। থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর অমদি লোকেল সেল্ফ গভর্নমেন্টকী ইলেক্তেদ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, পি সরতনা হায়খি, মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক মতেঙ পীবা হায়বসি নুংঙাইবা অমনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা সেন্ট্রেল অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু মীয়ামগীদমক য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া অমসু পায়খৎলক্লি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, রোবিন্দ্রো অমদি এস বিরনা মীৎ কৎপগী মরুওইবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

নুঙবাগী সী ডি পি ও থবক মফমদা নোংমতা লাক্ত্রে হায়না ৱাকৎলক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): আই সী ডি এস প্রোজেক্ট, নুঙবাদা চহী ১০ রোমগী মমাঙদা পোষ্টিং পীরকখ্রবা চাইল্ড ডিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসর (সী ডি পি ও) এস ডি নৈনুনা থবক মফমদা নোংমতা লাক্তবগা লোয়ননা ইম্ফালদা লৈন-লৈনা মথৌ তৌরে হায়না নুঙবা এরিয়া জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (এন এ জে এ সী) না ফোঙদোরক্লি।

জে এ সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ব্লেসিং রোংমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সী ডি পি ওনা অঙাংশিংগী চাওখৎ-থৌরাং অমত্তা লৌখৎত্রে। হৌজিক হৌজিক নুঙবা এরিয়াগী অঙাংশিংদা চেঙ, শঙ্গোম অমদি বালভোগনচিংবা পোৎলম অমত্তা ফংহনদ্রে।

নুঙবা য়ুথ ওর্গনাইজেসননা ওফিসর অমদি অঙাংশিংদা ফংহনগদবা পোৎলমশিং নুঙবা হেদক্বার্টরদা পুরক্লবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা সী ডি পি ও নৈনুবু টামৈদা ট্রান্সফর তৌখ্রে। অদুবু সী ডি পি ওনা পোলিটিকেলগী ওইবা পান্থে শীজিন্নদুনা ট্রান্সফর ওর্দর অদু ষ্টে তৌখি। হায়রিবা সী ডি পি ও অসি ঙসি ফাওবা থবক মফমদা লাক্তবগা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা মশাগী থৌদাং অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি। হিরম অসিগী...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

এ টি এমদগী লুপা ২০০ চৎপী থা ৩ গী মতুংদা লৌথোকপা য়ারগনি : আর বি আই

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর০৩ (এজেন্সী): রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) না চয়োল অমগী মমাঙদা লুপা ২০০ চৎপী পুথোকখিবা তারবসু মীয়াম্না এ টি এমশিংদগী শেনয়েক অসি লৌথোক্নবা হোৎনবদা থা ৩ লোম চঙখিগদৌরি।

বেঙ্ক খরনা এ টি এম কম্পেনিশিংদা অনৌবা শেনয়েক অসি মেছিনদা হাপচিন্দুনা চাংয়েং তৌনবগী ৱাফম খঙহনবা লৈখ্রে।

মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা লুপা ১০০০ চৎপী অমসুং লুপা ৫০০ চৎপী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা বেঙ্কশিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা এ টি এম মেছিন পুম্নমক নৌনা শেমদোক-শাদোকপগী থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

হান্না চৎনরম্বা শেনয়েকশিংগা অনৌবা শেনয়েকশিংগা পাক-চাউবা অমসুং মওং-মতৌদা খেন্নবা মরম্না এ টি এমদা হাপচিনবা য়াদবা নৌনা অমুক এ টি এমশিং শেমদোক-শাদোকপগী মথৌ তারকখিবনি।

এ টি এম মেন্যুফেকচরিং কম্পেনিশিংনা এজেন্সীদা হায়খি, মদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি আর বি আইনা এ টি এমশিংদা অনৌবা লুপা ২০০ চৎপী হাপচিন্নবগী ৱাফম খঙহল্লকপা লৈত্রি। বেঙ্ক খরনা ইনর্ফোমেল ওইবা মওংদা অনৌবা শেনয়েক অসি মেছিনদা হাপচিন্দুনা চাংয়েং তৌনবগী ৱাফম পুখৎলকখ্রবসু আর বি আইনা ওফিসল ওইনা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা এ টি এম মেছিন লাখ ২.২৫ মক অনৌবা লুপা ২০০ চৎপী লৌথোকপা য়ানবগী মওংদা শেমদোক-শাদোক্কদ্রা হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। এ টি এম ৬০,০০০ রোম ইন্সটোল তৌখ্রবা এ জি এস ট্রান্সেক্ট টেক্নোলোজি লিমিটেদকী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর রবি বি গোয়লনা হায়খি, মদুদি আর বি আইনা য়াথং অমা হেক পীরকপগা এ টি এমশিং শেমদোক-শাদোকপগী থৌরাং লৌখৎপা হৌগনি।

অনৌবা শেনয়েক অসি হান্না চৎনরিবা শেনয়েকশিংগা পাক-চাউবা মান্নদবা মরম্না এ টি এমগী কেসেটশিং নৌনা শেমদোক-শাদোকপা মতৌ তাই। *মখা লামায় ৩ কলম ১*

‘মণিপুরদা সোলর ৱাটর পম্প সেট শীজিন্নবা হৌরগনি’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০৩ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরগা খুৎশম্ননা স্পোন্সর তৌরগা লৌমী লূপশিংগা খুৎশম্নদুনা লৌফম কয়াদা ক্লষ্টর দেমোন্সত্রেসন ওনলাইন ত্রান্সপ্লান্টিংগী মখাদা থারিবা লৌফমশিং ঙসি এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি সুহেল অকতার অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর পিঐচ রাজেন্দ্রোনা য়েংশিনখ্রে।

টিম অদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সাইতোন অমদি ইথাই লৌকোলদা পায়খৎলিবা ক্লষ্টর দেমোন্সত্রেসন ওনলাইন ত্রান্সপ্লান্টিংগী মখাদা লৌ থারিবগী ফিভম য়েংশিনখি। নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি মীসন রাইসকী মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সাইতোনদা সাইতোন হয়াইকোন অৱাং লৌকোল লুপনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্ননা ক্লষ্টর দেমোন্সত্রেসনগী মখাদা সী এ য়ু আর-১ গী ফৌ থারিবা অদুগী ফিভম য়েংখি। ইথাই লৌকোলদা ক্লষ্টর দেমোন্সত্রেসন ওইনা ফৌ থারিবগী ফিভমসু টিম অদুনা য়েংশিনখি।

তুংদা ইথাই খুনৌদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি প্লেন এন্দ হিল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ইথাইগা খুৎশম্নদুনা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটিগী মখাদা ক্রোপিং সিষ্টেম বেজ ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

লৌফমশিংদা কোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর পিঐচ রাজেন্দ্রোনা হায়খি, লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলক্লি। ক্লষ্টর ওইনা লৌমীশিংনা পুনশিন্নদুনা পুন্না লৌউ-শিংউগী থবক পায়খৎমিন্নদুনা পোথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা চঙই। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী লৌমীশিংগীদমক চঙবা য়াবা মীৎয়েং চঙনবা হোৎনরি। সীদ সর্টিফিকেট সেলসু ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

LOAN AVAILABLE
মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।
100% Free Processing (Vehicle Only)
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokiaobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.
HL-P/2145/26/8-26/9

ঈ-পাঊজা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টশিংগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫